জীবন মুক্তি





সনাতোম্বা সিংহ বিঃ এঃ

জীবন মুক্তি

অইবা—

রাজকুমার সনাতোম্বা সিংহ বি, এ,

২.৫০

মমল লুপা ~~১.৫০~~

কোংজবী—

শ্ৰীমতি গম্ভীনি দেবী

কপীমশীং— ১১০০

শোক ১৯৬৯

নম্ফম—

সিটি প্রেস, ইম্ফাল।

কথোকচবা

জীবন মুক্তিগী লম্বীদা

চংলিবা অথোইবাশিংহুদা

শীন্নজরি ঐগী জীবন মুক্তি।

অইবা—

২৯। ১২। ৬৯ ইং

ৱাহৌদোক

শক্তিনা ঈশ্বরদগী, সৃষ্টিনা শক্তিদগী পেকই। সৃষ্টি ঈশ্বরগী লীলাক্ষেত্রনি। মীওইবগী দেহ সৃষ্টিগী শংক্ষিপ্ত আকারনি। দেহদা ঈশ্বরনা জীব মিংথোল লৌদুনা শাগৈ। মণনা ইন্দ্রিয়দা তোংদুনা লীলাগী থোৗগাই পুই — শীল্লি। মশাগী মিংয়েংন মপান্দ তাবা মতমদা মহাক অমম্বদা থোঙকগৈ; মুংদ তাবা মতমদনা অজ্ঞানবদা খোঙকগৈ, সংসারগী অনিত্য ওইবা মওংদ উদাসীন ওই জীবনা মশাগী সৎ, চিৎ, আনন্দগী স্বরূপ অদু নীংসিঁজি। তাঞ্জা অমিদা আক্ষেপ অমা পোক্লকই। ৱাখল্লন মুংথন্দ শাজত্তু মুজত্তু, মওং অমা হোংলকই। শাজৎ, মুংজৎ, ৱাঙাং শাওাংদ নীংথিবা মঙাল অমা ফংদোরকই। শান্তি পাম্বদগী লৈতাজবা ওমগ্রব অদুমক্ত কাওমত্রবা মিংফম মশান মশাগী সেমজরবা পুক্রিংন শান্তিগী মঙান্দ শান্তিগী মশক শৈশক কয়াদ পান্দুনা শকতোকই সত্যগী নিত্যগী মশক তাক্লকই। মায়াগী লাংদ শুবনা কাউজন থীরবা মীওইবনা পোথানফম লখী থঙগনি, জীবন মুক্তি, হায়রিবা শৈশক অসিমক্ত।

মীনকেতনসিংহ

৩০।১১।৮১ ইং.

অভিমত

শ্রীরাজ কুমার স্নাতোম্বা সিংহগী "জীবন মুক্তি" পারে। মসি পাবদা পুক্কিংদা রাখল কয়াগী লৌশিং অমস্যুং হুংঙা'বা কাওরকই। শৈরেংশিং অসি অমুচ পাল্লবস্যু হন্ন হন্না পানিংই. রাখলগী ঈপাক্তা কবিনা তাউবগুম তাউই। লাইরক মচা অসিগী শৈরেং খরদা কবিনা খম্মোই ঙুংগী অপাম্ব কয়াবু পাখোং ওইনা। চল্লি অমস্যুং মতাং চা'গা কোওই। শন্ন হায়রবদা লাইরিক মচা অসিনা পুন্সবু নিংথিনা মশক ত কলি। পাক্লবা অমস্যুং মন্নবা সংসার সাগর লানবদা লমজিং মৈরা পায়বিরিবা শকখংদবা ঈশ্বর মহাকপু কবিনা কয়া য়াম্না থাজবগে অমস্যুং ন্যুংশিবগে হায়বসি খনবতদস্যু পুক্কিং পেন্নানিংঙাই ওই। রাখলগী ঈপাক্তা ঈরাক্লবা কবিনা, কলন্না, কোংদোকপা ওমদবা রাইং কয়াস্যু ভাবার্থনা কোংদোক্লি।

চুন্না হায়রবদা নৌনা শৈরাংসকসিশা কবিনা মরিক চুন্না মাইকৈ অশোমদা চথরক্লবদি সমাজ সেবা তৌবা ওমগনি হায়না আশা তৌই।

এইচ, পিশক দেবী
হেড মিষ্ট্রেস
নম্বোল লৈরেল গার্লস হায়র
সেকেণ্ডরী স্কুল, নম্বোল

তাং ৩০। ৩। ৬৮ ইং,

য়াওফম তাকপা

শৈরেং অমিং		লামায়

জীবন-মুক্তি

[১]

পূন্নমক ফাংদগী থিনগংলকপনি

তাইবং মৈকোলগী মৈরাংশিং,
মালেম হৈকোলগী হৈনাংশিং,
পূন্নমক ফাংদগী থিনগংলকপনি
ফাংহুনা ওন্নমক তিনথিগদবনি ।

অতবু শাংলমদনদি কেনখ্রদে,
মচয় য়াম্লমদনদ মাঙখিদে,
মৈরাং মাস্থ পোমখিদো
হৈরাং মাস্থ হৈজীংনখিদো ॥

মৈরাংনা পোমহুনা মৈরিবৈ
হৈরাংনা হৈজীং কাদ্রিবৈ
মালেম য়াকাবুংদা চঙজখি
পাগী-পুগী 'নাক্তা কমজখি ॥

অনৌবা পাড়া কয়ানি ;
লৌশিংগী বারোল লিশিংনি ;
লোইনমক খঙত্রা 'ড়ুদি
নত্তে খরদনি লৌহৌবদি ॥

লৈরাংনা পোমত্থনা লৈরিবৈ
হৈরাংনা হৈজাং ফাদ্রিবৈ
খোইমু খোইরেন কিখিদো ;
উনারক্সা লোত্তুনা খাঙখিদো ॥

লৈরাংস্থ লৈশাং তমলকই ;
হৈরাংস্থ ১মূন ফারকই ;
তাইবং ঈপাক্তা ঙাল্লমই
হেন্দো-হেরাউ ফারমই ॥

তাইবং পোংলুম পুরগা
চিন্তা নঙ্গে পাংগা
খোমকেন ভুমখুন তাল্লুরগা
মাংখি মিকপ থোক্লুরগা ॥

১৭। ২। ৬৮ ইং
মাইবম

[২]

লংথৈ চৎলকপা তাইবং ঐসে !

হে জগৎকি মপু ও ! শকথংওনদবা
অপাম-কল্লকী লাংদাই লাল্হোকহনবীওম্বা ;
লানজগে নওগী তাইবং ঈপাকসে
তোংজহুনা হিথক্কা নওনা শেম্বীবসে ।
পায়জরগা নওনা পীরবা নারেনসে
হোনজগেনে লুংকং-লুংকংলবা হিরেনসে ।

মওাল মশেক পুরবা মন্দিরন্থংদগী
লৌশিং পোকহনব থূশকি মৈখূরক্তুগী,
খূবাং অনিনা মিংসি নাংর-নাইরহনা
বাখল নম্বো চাউনা পোকহনা
লংথৈ চৎলকপা তাইবং ঐসে
ইপাং কনাম্ব য়াওজবা নত্তেসে ।

লমজীং মৈরাম্ব ঐগীদি মূংথ্রানি ;
অকনবা মায়াগী লোংম্বুশিং নরক্তা ।
পন্থংকম হুগী মশকম্ব উখিদ্রবনি ;
কল্লক-য়ংথি-মিহৌবগী শরোরক্তা ।
মাওদা উরম্ব পক্লম্বা লম্বীতুম্ব খুজিনখ্রে
ওইজ-ওইধক পাম্বগী মিৎলৌ ঈপাক্তা লুপশিনখ্রে ॥

পূক্নিং পাঙ্গলসিনা 'শ্লম্মক পিকশিল্লক,
ঐগী হায়বা থাখলসীনদি 'সুম হোঞ্জল্লক,
ক্রক-ক্রক, ক্রক-ক্রক কাজিনলকপনা;
চোংশিল্লিদো মৈরক্তা কয়াদা থোনাকনা;
'সেগীদমক্তা নঙনা ঐবু থাবীরক্লিব্রা ?
মহয় অসিদবু চাননবা ঐবু শেম্বীরিব্রা ?

হে প্রভু! অহোবা অরোইবা নাইত্রবা,
হে নাথ! প্রলয়-মহাপ্রলয়না মাংহনঙমদ্রবা,
নঙগী পুনসিগী পাকলনা ঈপাক্তা।
থোঙ্গালগী কোঙ্গোল ঈরীক মরক্তা,
ঐবুস্তু লৌশিনবীয়ু, ঐবুস্ত তাউকনবীয়ু;
অতৈদা 'মুক পাবীরস্তু নমাক্তা সেঙদনা লৈহনবীয়ু॥

১৭।২।৬৮ ইং

মাইবম

[৩]

চংশিল্লো য়োবা ওম্নবা !

হে তাইবং !

নওদি মিং তাওলবস্নি,
ননা অনিস্থ পওলবনি
নরোলস্থ থোক্লবস্নি.
নখোংস্থ তেক্লবনি ।

নওদি য়েংহৈদবা য়েংলুরে,
তাহৈদবা বাহৈ তাক্লুরে ;
ঙাংহৈদবা বাঙাং ঙাংলুরে,
চংহৈদবা মকমদা চংলুরে ।

'সিকাওবদা নওদি খান্দ্রনে,
তুংগী লম্বীস্থ উদ্রিনে ;
কান্নদবা কীজেং খোম্লিনে,
অশেংবা লন্দি তান্দ্রনে ।

নওনা উখোংদা ক্ষমত্থনা,
তোয়না তোয়না কৌত্থনা,
পাপকি লনবু খোমজীল্লিনে,
মিহৌ লাংদগী নাম্থোক্লিনে ।

ক্ষান্নদবা লমবু থোমহুনা,
মায়াগী লাদো থুহুনা,
লেং-ওৎপা ইয়া য়াদনা,
থৈরেদো ঙক্কা ফাজিন্না।

অর্থ [illegible]দ্রনা বাহৈনা
পুগী শি[illegible]জেল শোনবনা
ওইগদি কা[illegible]দা করমনা?
নপুম্নিংদি থৈখ্রে লুপ্তুনা;

মায়া ঈপাক মনুংদা
লুখ্রবা ঈরেল ময়াঙদা।
নঙগী অশ্রোইবা মতম না
নঙগী খোংলোয় ওইরদা,

নঙ খৈ চৈথু ওইগদবা—
[illegible]মী অদু [illegible]দোকফত্রবা
মফম অদু [illegible]নবা
চংশিল্লো [illegible] ওন্নবা।

১৭ | ২ | ৬৮
মাইবম

(৪)

ঙমহনবীয়ুকো তাউজবা ঈপাক্তুদা !

তাইবং পুক্নিংবু চুপ্লিবা,
ভক্ত খোইমু লৈপাম্বা।
থম্মোই পুখ্রি [illegible]
শাংলিবা থম্বাল 'সিদগী
লৈহী পম্মা থকপিয়ু;
শাংপগী মহয় য়ালহনবিয়ু।
লৈরাংনা লৈহী থমথ্রবদা
লৈকা চাইনা কেল্লবদা
মঙগী পুক্নিং পুখ্রিয়াইহৌদা
ঙমহনবিয়ু[illegible] তাউজবদো ঈপাক্তুদা।

১৭। ২। ৬৮ ইং

মাইবম

(৫)

নঙবু উনগে খনজরুরে !

মাঙগী অচৌবা ফুরাসি উরগা
অয়ুকী লাইশোল শরুকপন্থ তারগা
ঐগী পুক্নিংনা লেপচরুরে
নঙবু উনগে খনজরুরে।
খম্মোই গঙ্গা ঈচেন্দা
শেংজবা বাখলগী হিরেন্দা
হোন্থজরি ঐগী হিনা
হীমায় চুমহনা বাখল নোংরেন্না।

ওন্থোক্লা নিংখিজে! য়েংবদা পুক্নিং হুনকম্নি;
চেকশিন্না শাখিবনা মী খুদিংমক্কী মিংয়েংনকম্নি।
ঐনা শোল্লি ওঃ লাইবককৈদকো, লাইবকফবা—
ইথন্তা কপচৈ তোল্লিদকো, হে তোল্লবা!
মন্দির’ মাঙদা লেপ্পুনা
ইথুং অনি লোন্নহনা
ইবুংঙো নঙবু খুরুমজৈ
নঙগী নমিঙবু শোনজৈ।
অত্তুবু কদায়! কনাম্বু উদে; ইহাং হাংই মন্দিরসিদি;
কৈরমই মিং-না তথক তংকহনবা ককজরবা পোংলমদি।

করিনো ঐবু মিৎসি পাওনা পাওনা তূম্নব্রা ?
ওস্থোক্না য়াকরেদা খল্লুবদৈ ঐবু পাপকী ঈপাক্তা লূপ্লব্রা ?
অহুরু ওইরমব্রেনে য়াখন্দূদি
মাওখ্রেনে মহাক্তি লৈত্রেনে ;
মন্দির মমুং অহুদাদ
থাপ্না বন্দা চৎখ্রেনে ।
নাপলগী কিজেৎনা য়োমশিল্লম্বতুদগী নাখোকখ্রে ;
কিজেৎ অমতদা য়াওন্নরিবা মঙ্গেন্নহাগা তিন্নখ্রে ।
লংশেক্লম্লে সনাগী পূখমদা হাপ্পা চাক্লুক,
ওরাংদগী চরা হেক্লকুবা মাগী নাক্তা চৎখ্রে ।
তোয়না তোয়না ওংলুরে পিয়ু হায়না নওগী শরুক
প্রকৃতিগী খুদোল্লে অকংবা লা অমা লৌখ্রে ।
ওস্থোক্না হরাওনা চাখ্রে
চখোম চাউনা হুকখ্রে ।
ঐনা হায়জে "মাওলে ! মাওলে !!" করিমতোনা হে নাথ !
তোল্লবা শোক্নমাব্রবা মীতগী ইমুংহুদা করম্না হে নাথ !
মতমহুদা ঐনা উরমই
নওগী মূর্ত্তিবু মন্দিরমুংদা
ঐবু শাউনা য়েংলমই
লেপ্তুনা সনাগী ফম্বালথক্তুদা ॥

১৭ ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

(৬)

ঐঙোন্দা অমুক্ত থুপ্পিরনু ।

মাঙনা লিরি শিংলকপদা
লৈরাংগী লৈনম হুমলকপদা
পূক্লিংসি ইনৌ নৌহল্লি
আশা ময়োল চোংহল্লি ।

শিন্থা শিল্লম শিল্লিবা
মপু মাপ্পী মকমদা
তাইবংসে তোংনা তোয়রবা
অহৌবা অরোইবা অমত্তগীদা
তিন্নখিগনি তিন্নগদবা তিন্নকমদা ॥

লাংতক্করবা ঐগী পূক্লিংনা
নঙবু থিগে হোৎনবনা
ঐনা থিরিমখৈ নঙনা
অশুম অশুম লাপথিবনা
নঙবু ফংলরোই নীংলবনা
নীংবা কায়রবা ঐনা
মীকুপ 'মতগী য়াইফববু পামলুবনা
লৈহৌরেদে৷ ফংদনা পিরোইননা ।

অহুবু হে দিনবন্ধু! পাম্বে লৈত্রবা
তাইবং ঈপাকী থোংনিদো লানঙমত্রবা
হায়নৈনে নঙসে মহুগীদি পাম্বেনি
ঈপাক অহুগী থোংস্থ নহাক্লি।

ঐঙোন্দা অমুক থুপ্নিরম্নু
লোত্তুনা অমুক লৈবিরম্নু
নঙগী শক্তম লাকচবা
নঙগী মূর্তিবু শাগৎচবা
ঙমজবা পাঙ্গলনা অসিদবু
ঐঙোন্দা পিনবিয়ু কংজববু।

১৭।২।৬৮ ইং
মাইবম

(৭)

নঙগী মিংলেনগী শরুক্তা ওইহনবিয়ু !

হে ললগী মপু ! হে কুবের কুবেরগী
হে পাঙ্গনবা অথোইবা হে-ইন্দ্র, ইন্দ্রদেবগী
পীনবীয়ু ননাইদা ললগী মপু ওইবা
অথোইবা লন্দো তাইবংবু অরান' খুভম পীনবা
পীনবীরোদা ননাইদা পাঙ্গন্দো মত্তুবু ফংঙম্বা।
হে অঙানবা ! মুমিংকী মুমিং ওইরিবা
নঙনা ঙালহনবিয়ুদা ঐগী লম্বীবু মল্লবা
চৎপা ঙমহনবিয়ুকো অহুগুম্ব লম্বীহুদা
য়েক্ল তিখং, অকি-অথং লৈত্রবত্নদ,
চাইথোক্লবা শরুগী উংনা দধীচিগা লম্বীহুদা।
কায়নবা মিকুপ্তা, নঙাকী ঈপাক্তা তিনজগে
অবোইবা পূংফমদা, নঙগী শকফম্বু উজগে
হৌখ্রবা মিকুপ খুদিংনা তিনশিনখ্রবা পূংজাশিংহু
নঙগী মিংলেনগী শরুক্তা ওইহনবিয়ু
পোকপিবম্বু নহাক্নি লৌশিনবম্বু নঙনা ওইবিয়ু ॥

১৭।২।৬৮ ইং

মাইবম

[৮]

তাইবং মপুগী লিলাবু কনানা খঙগনি !

তাইবং মপুগী লিলাবু কনানা খঙগনি ।
লৈবাংনা শাংলিবা লৈকোন্দা, নঙগী থোজাম্বনি ।
থোইমুনা লৈহী চুমলিবা, নঙগী থোজাল লৈহীনি ।
মালংনা লৈনম য়েনবস্নু, নঙগী লৈনম য়েনবনি ।
কোরৌনা থক্সো ঙানবস্নু, নঙগী মঙান্দগী ঙানবনি ।
থাজগী অহংবা মাইথোংস্নু, নঙগী অহংবা মাইপেংনি ।
চীংজাওনা অখাং-কল্লিবা, নঙগী অখাং কনবনি ।
তুরেলনা পুকচেল খোয়দ্রিবা, নগী থম্মোই ঈচেলনি ।
খঙগে তাম্নবা কনানা, নঙবু খঙ-ঙমদ্রিবস্নু, নঙনা খঙহন্দবনি ।
ফংগে হোৎনবা কনানা, নঙবু ফংঙমদ্রিবস্নু, নঙদনা ফংহন্দবনি ।
খঙনিংবা, ফংনিংবা, উনিংবা পোক্তহল্লিবস্নু, নঙগী নয়াখঙননি ।

নঙদনা নিঙহনবনি, লাপ্না লৈন-লৈনমক নিঙনহল্লিবা অনকপদনি ।
নঙদনা খলহল্লিবনি নক্ত-নকপদা লৈরবদস্নু খনহল্লিবা অরাপ্পদনি ।
ঐনা খঙজনিংলিবা নঙগী অথুপ্পা মতৌবু করম্না খঙজবা ঙমগনি ।
মসিবু নহাক্না তাকপীদ্রবা ঐঙোন্দা, ঐনা করি পোকপগী কাম্নগনি ?

১৭ । ২ । ৬০ ইং

মাইবম

[৯]

পিনবিয়ুকো ঐঙোন্দা !

মম্ লবসু অঙানবগী মতৌ নৈবা
অঙানবদা অমম্বগী মক্কক নৈতবা
অশোনবদা অকনবগী মতৌ ব্রাত্তবা
অকনবদা অশোনবগী মশক খঙছনবা
অশাবদা অষ্টংবগী [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
অপাম্বদা পামদবা মতৌনা ভমছনবা
পাম্নবদসু পামদবা মশকপু খঙজলবা
পীকপা চাউবা অমিবু খঙজবা
লাইরবগী ইনাকখুনবা গুণবু খঙবা ভমজবা
ইনাকখুনবগী লাইরবা মশকপু উজবা ভম্বা
মিকুপ অমগী মুংঙাইবগী অরাববু খঙবা ভম্বা
মুংঙাইবনা হিমালয় চাবু মমছংনিংদবা
নাপলগী অমাং-অতোং অসিবু খঙজবা ভম্বা
পাপ-পুন্য অমগী লম্বীবু উজবা ভম্বা
অন্থগুম্বা গুণগী ঈচেল অন্থদা লুপচবা ভম্বা
পিনবিয়ুকো ঐঙোন্দা নঙমা মসিদবু পাঙথোকচবা ভম্বা।

১৭।২।৬৮ ইং

মাইবম

[১০]

ঐনা পামজবা !

মায়কৈ মরিনা কিজেৎ ওইনা শেৎলিবা
হুমিৎ-থা-থবান্মিচাক্না হকচাংগী লৈতেং ওইরিবা
ভুরেল-পাৎ-সমুদ্রনা হকচাংগী ভুখোংবু শেংদোকলিবা
উ-ন.ঙ চীংঙ্গাওনা প্রলয় মুংশিৎপু থৎলিবা
পুম্নমক অসিগী মপৃগী মপূ ওইবিরিবা
নঙোন্দনি ঐনা ঐগী থম্মোইবু কচ্চরিবা
'সিনত্তববু করি অমুক লৈরিবগে নঙোন্দা কৎননবা ?
পঙলবা তাইবং পানবনা "ঐগী" হায়বন্থদবু শোক্তুনবা
পোকপদগী শিবা তানবা কাওবা কয়া কয়া হোৎনজবা
ঙমখিদেনে অরোইবদা ! লৈহৌগদবন্থনা লৈহৌবা
চৎখিগদবন্থনা 'মুম্মক মচৎখি ; লৈতে অতৈ লেমহৌবা
মতম লাইরেম্বীগী ইতিহাসকী লামায়দা তারিবা
অরাবা ময়েকশিংত্থগী ময়েক অমগী মমল কাওবা
কনাগী পুক্কেদগী করম্নদি লোরগা ঙমগনি শিংবা।
"ঐ" হায়বা খোঞ্জেলগী হৌরককম ওইবা
মন্থদসু অমুক হোৎচিন্দুনা তিল্লুগদবা
নঙদবুনিকো হে নাথ ! ঐনা পামজবা
পুম্নমকসু শেম্বীরিবা হে মপু ! জগৎকি মপা ওইবা।

১৭।২।৬৮ ইং

মাইবম

[১১]

পানবিয়ু ঐঙোন্দসু

পোকপা, শিবা পুন্সিগী শিন্থাসিয়ু
অরি অনৌ শিন্নবমি ছায়রিবাসিবু
করম্বা খঙজবা ঙমগদগে তাকপিয়ু
লম্বীচুদা চৎচবা ঙম্বা পাঙ্গল পীনবিয়ু ।
তাইবংগী মঙাল উরগা পোকপা কৌরিবা
লৈপাকী হকচাং অসি থাদোক্লম্মগনা শিবা কৌরিবা
পোৎলম অনিসিঙ্গী হৌরককমগী মরূ অহুবু
করম্বা শিন্থা পাংথোক্লগা কংবা ঙমগদগে মসিবু ?
পীরখি নঙনা পাঙ্গল নতিকতো মঙোন্দা
করম্বা মগুণনো চেক্লিবা মসিগী মঙোন্দা
অমম্বদগী পাইশিল্লগা মৈরাম্বীদো শিখি
চোংশিন্দুনা মৈঙালদা মথরাই জানখি ।
মসিদা লৈরগদি পোকপা শিবগী যুমকমদো
অমদি হিংতুনা লৈবগী কান্নদ্রে খনঙম্বা বাখন্দো
পীনবিয়ু ঐঙোন্দসু মাগী মথৌনাসে
কচ্চবা ঙম্বা ঐগী থরাই হকচাংসে ।

১৭ । ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

[১২]

তাইবং ঈপাক লানবদা !

নঙগী থোজালগী মুরিত্তবু ঙাইজবদা
পুন্সি অসি পিথম্মতুনা লোইখিবা তারক্রা ?
হে দিনবন্ধু ! নঙগী খোঙ্গুল লীজবদা
ঐগী পুন্সি অসি নিংথায়খিবা তারক্রা ?
লৈমন চন্নবা খম্বালনা নিংথায়বগুম
পুন্সি তেল্লবা শিঙ্গারৈনা খিকথরকপগুন ।
অত্তুদি তেন্না শাংলবা পুন্সিগী লামায়দা
লানা-লানা ইথিবা ময়েক্না থল্লবদা,—
করম্বা অনৌবা লামায় অমা ফাক্লগা,—
অনৌবা পুন্সিগী লম্বী অমা য়াল্লগা,—
থুনাম মশক উত্রবদবু কয়ম্না চংকনি ?
অনৌবা খোঙ্গুল য়েংদনবু কয়ম্না তুংইন্নগনি ?
মাংদা চংথ্রিবা যাত্রিকী লমজিং মৈরা তুংইন্না
চংনিংবা মকমদা য়োৌনবা লেপ্লবদা পূক্নিংনা
লাম্থোকওম্বা তাইবং ঈপাক পাকলবা ঈপাকসে
পীনৌ ঐঙোন্দম্মু ওমজবা পাঙ্গন্দু লানওয়র। ঈপাকসে ।

১৭ | ২ | ৬৮

মাইবম

(১৩)

পূক্নিং সমুদ্র

তুরেল কয়াগী লাইজবু থকলিবা সমুদ্রসে
ওমনৈ ওনবা মাগী অরু-অথেন পীনবনা পাঙন্দো।
'ঙ্গবু ওমদ্রিনে ঐগী পীকলবা রাথল সমুদ্রসে
ওসি কাওবা ওনবদি পীনদবনা নওনা পাঙন্দো।
মসিবু ওম্নবা হোৎনবগী থৌনাস্ু সুন্মক লৈরিকো
নওনা পীনবা পূক্নিং সমুদ্রদা লোত্তুনা থম্লিকো।
যজ্ঞ কয়া লিংহুনা, তপ কয়াস্ু তৌহুনা
পুন্সি চাম-চাম, লিশিং লিশিংনা
ওনওমদনা সুন্মক লৈরবা রাথল ঈপাকসে
করি পোৎলমনা শেমখ্রবা পূক্নিং সমুদ্রসে।
হে নাথ ! অমনা মরি থোকলগা
প্রণয়গী মুংশিং য়োদ্রবা ঈপাক্তা তাউরগা
লেমহোবা অহুমদুদগী অমনা জগৎপু ঙাক্লিবা
'ঙ্গী অমুক অনিহুদগী অমনা ঈরোম্ুংদা লুপ্লিবা
অরোইবা অমনা জগৎপু য়াইকনবা শেম্লিবা
অহুগুম্বা শক্তি মরী চেল্লবা নওবু কঙজবা
পীনৌকো ঐঙোন্দা পাঙন্দো নওদবু কংনবা
করিগুম্বদা মপোকসিদা নম্রগস্ু অমহুদদি ওইননবা।

১৭ | ২ | ৬৮ ইং

মাইবম

[১৪]

ওন্থোক্নস্নু পামজৈদা !

ওন্থোক্নস্নু পামজৈদা ! পীনবিয়ুবা ঐঙোন্দা ;
"পামজদবা" হায়বা পোৎশক্তু কংননবা ঐঙোন্দা ।
মহুবু পীনবীরবা ঐঙোন্দনে নহাক্না কারগুম্বা,
কচ্চাগেনে নঙোন্দা থম্মোই অসি ঐগী নক্ৰবা ।
মোংমা করিগুম্বা ঙমজরবা থবকসি পাংথোকচবা,
মৈজহৌরসন্নু ঐগী হকচাং পোলাংসে মল্লবা,
ওইহৌরসন্নু মল্লবা পোলাং শরুতুনা দধীচাগীগুম্বা
মাঙহন্নবা বৃত্রাসুর কয়াবু মহুদগী শাবা ব্রজতুনা,
ঙালহৌরসন্নু তাইবংপান অসে স্বর্গপুরীগুম ;
তাকখ্রসন্নু ফত্তবশিংদো তাইবং ঈপাকসিদগী কোঙ্গোলগুম
অপাম্বা, কল্লকপা, মিহৌবা, নাপল য়েংথীবনচিংবা
য়েক্নবা তরুকমকস্নু মৈত্রসন্নুকো মমিংত-ফাওবা ।
মতমহুদা থোরকসন্নু অনৌবা বেদ-পুরান্দো
অমৃতগী ঈচেল ওইরসন্নু গঙ্গা-যমুনাদো ।
লমাই থুদিংগী মনাগী ময়েক্না ইরসন্নু
অনৌবা জগৎকী মাঙনাইদ্রবা ইতিহাস ওইরসন্নু ।

১৭ | ২ | ৬৮ ইং

মাইবম

[১৫]

লৈহৌরসনু চাক্তুনা

কংহনবীরো ঐবু নওগী থৌজানগী মরীক,
তৌবীরো ঐগী কংলব থম্মোই লৈকংলাদা।
নওগী থৌজানগী মকুত্থান কংননবা লাইজ ঈরীক
শাংহনবীরে। অওাং-অপক লৈরাংশং থম্মোই কুঞ্জবন্দা।
লম্মূক্লরবা যাত্রিকশিং মায়া মরিচিকা থেংনহনা
পোত্থারসনু মহুদা অবাবা খিবিক কোক্তুনা
ময়েক লানা লৈহৌরসনু যাত্রিকাশংহুগী খুনামহু
তুংগী মীরোলবু ঙাইহনা থোইনা লংখংলব খোংকমহু।
কল্লক চাউবা কনাগী থম্মোইনা মহুদবু লুপ্লরবা
হেক্তা কংবা পীনবিয়ু 'অরান-খুভম-কংনবা'
ঈফূং অসিবু মেন্নিংবা কত্রবা পূকচেল চেল্লিবশিং
মফম্দাস হেক য়োবগা ওনখ্রসনু বাখন্দো। কত্রবশিং'
ওক্টহৌরসনু মকম অহুদা চাক্লিবা মৈরী অদো
লৈহৌরসনু চাক্তুনা মহাপ্রলয়না মুথংওমত্রবা মৈচাকঅদো।

১৮ | ২ | ৬৮ ইং

মাইবম

[১৬]

ঐবু ঙাকপিয়ু প্রভু !

পুন্সি অসি লোইখিদোরে
নঙগী লম্মন্দি শিংহৌদরে
ঐবু ঙাকপিয়ু প্রভু !
থুম্নাংখিত্নুনা ময়াম্নুনা মাপলগী
হৌখ্রবা পুন্সিদা ঐগী
নঙবু মশক খঙখিদল্লে।
থম্মোই লাইশঙনা মল্লবসিদা
নহাকপু লেঙশিনবিয়ু হায়জনীংদ্রে
পাপকী য়ুম্ফমনি চীংনরে।
মাবনা ফুল্লবা থম্মোয়সে
পিনা থুম্নাংলবা ইমিৎসে
নহাকপু য়েংজবা ঙমদ্রে
ঐহাকপু ঙাকপিয়ু প্রভু !
ঐগী অরোইবা মিকুপ্তা
নঙনা ঐবু লমজিংবিয়ু
ঐগী অরোইবা লাইশোনসি
পামজবস্মু ঐনা অসিদনি
ঐগী ইরানবু ঙাকপিয়ু।

২৮। ১২। ৬৫

মাইবম

[১১]

অরোইবগী শরুক্তা !

নঙগী মতম কাংখোংবা ঐগী পুন্সিগী লম্বীথক্তা
অস্নুম অস্নুম চংশিল্লকপনা ঙসিদি তারয়ে ইথক্তা
নঙগী নম্থোকঙমদ্রবা কল্লবা চৈক্লু "অহল" হায়বদো
ওইরয়ে হৌজিক্কি তিংলম্বদগী কোন্থরবা ফিভমদো
হৌখ্রবা থাপ্লবা পুন্সিগী চীংদোম্দু য়েংউবদা
ঙমজখি ঐনা উজবা বসন্তগী অয়ুক অঙনবদা
শাংলিবা ফুগায়নরবা লৈরাংগী লৈহীবু পামজববুস্নু
চূপখিবা লৈহীপাম্বা খোয়রাবা থোইমু কয়া কয়ানস্নু
বসন্ত হৌথরে; কালেন্থাদগী নাকেন্থা ওইরয়ে
হুক্তোকখরে পুক্লিংগী অপাম্বা খিবিকস্নু মাঙখরে
লেমহৌরিবা অত্থুতদি ঙম্বদি নত্রেনে ঐনদি
থাদোকে লাক্লবা ঙমক্ষমস্নু থোক্ত্রবা মত্থুদি।
অরোইবগী শরুক্তা নঙবু উজবা ফংজনবা
ঐবু পীনবীরো নিংথমথা মতমদা উজনবা
নঙগী নিঙথিবা শককম্না মাঙদা লেপ্তুনা লৈববু
মত্থুদবু উজরগা ঐনা ঐগী ওইদ্রবা খিবিকপু
থাদোক্লমত্থুনা চঙজগে নঙগী কাল-চক্রেগী
ঈপাক্লুংদা; তিন্নজগে থরাইসে থবাইদা নঙগী ॥

১৯ । ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

[১৮]

কাউখ্রবা চীংদোন্দা !

কাউখ্রবা চীংদোন্দা লেপ্তুনা নিংশিং থোক্‌রবা
নঙগী শককম্মু উজগে নিংবদগী হোৎনজরিবসিনা ঙমত্রবা ;
করিগুম্বদা লেপ্লকম ওইরিবা চীংগী চীংদোন্দগী
তারক্লবদা 'খোংকম অসিনা নম্থোকখিত্নুনা ঐগী
লুরবা, মমলবা লোক অত্নুগী মথুংহুদা
ঙাইবিরম্মু নহাক্না ঐবু-উজগে মত্নুদা
নঙগী নিঙথিবা শককম্মু ; ঐগী অরানবা
ঙাকপিত্নুনা পাপকী 'থবক্না ঐনা তৌজখিবা ।
উনা, উনা তাঙলুরবা ঐগী মিৎ অনিবু
উহনবীয়ু নঙগী তাঙনাইত্রবা মিৎনা নঙবু,
পালহনবিত্নুনা-মাঙহনবিখ্রগা ঐগী কাম্রবা মিৎপু
নঙবু নিংশিংহনবিরগা নঙগী মিংলেন্না ওইবিত্নুনা লৈ পরেংবু
হুকচগে ঐগী নঙোন্দা কচ্চরবা ইঙকশমদা
মনমত্নু কংজরগা লৈপরেংগী লানজগে মায়া ঈপাকসিদা।

১৯ । ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

[১৯]

কচ্চরে লৌবিরসি !

ঐগী হাওলবা

থম্মোই লম্পাকসি
কচ্চরে লৌবিরসি।
হুনজিনবীরো মরুহু
হৌহনবীরো পাম্বীহু।

মহুদগী হৌরকপা

পাম্বীহুগী মশামরেংনা
মায়কৈথুংনা শন্দোক্লুনা
কুপথ্রসনু তাইথংসিবু
ইংহল্লসনু মাঙেমসিবু।

অশাবা মৈশাগী

মৈচাক্না ওনথোইরিবা
থাংগমদনা লাওখোংলিবা
ঐদোমা চাক্লিবশিংহুগী
কোকহনবিহুনা মৈচাকহুদগী।

ওইহৌরসন্নু মচিঙ্গাক
লামলবা মখোয়ন্থুগী
কলহৌনবা মথয়াগুগী
অশিবা কৌবা লাইগী
মপূ ওইবিরিবা অশিবন্থুগী।

থম্না কৈহৌরসন্নু
তাইবংগী পুক্কৈ খিবিক
রাত্ত-পাদবা ওইরসন্নু
মালেমগী মঙ্গম খিবিক
কংদবা কৌবা কৈত্রসন্নু।

১৯।২।৬৮ ইং
মাইবম

[২০]

খুদোংথীবা লাম্লোক্‌পদা !

ময়ুবা লম্বীগী অঙানবা পীনরিবা
তাকপিয়ু ঐগী লম্বীদো চৎচবা ঙম্মবা।
কল্লবা নোং-মুংশিৎ মরক্তা
চীংজাও তুরেলগী মরক্তা
কদায়দনো ঐগী থোংহুবু ?
লানজবা ঙম্মবা মথক্তু দম্বু।
পাম্বৈস্ম য়াওদ্রে উপাকস্মু অমথক্তনি
থোংকম অমদগীস্মু হেন্না থাবা য়াদ্রবনি।
খুদোংথীবগী শরুক্তা ওইখ্রবা
থোংলোই কনাস্মু য়াওদ্রব,
করম্মবু চৎচবা ঙমগনি ?
লমথুংকস্মু য়োৗজবা ঙমগনি ?
কদায়দনোনে লমথুংকম অহুবু
ঐনা য়োৗগদবা মকম অহুবু।
ঐবুদি লাঙ্গোই চংখ্রে
থৌরী কোঙ্গোয় হুকখ্রে ;
কদায়দনোনে ছুরি অহুবু
থদংচবা ঙম্মবা থৌরীসিবু।

১৯।২।৬৮ ইং

মাইবম

[২১]

নঙনা ওইবিয়ু ঐগী তুরিবু !

নঙনা ওইবিয়ু ঐগী তুরিবু
য়েকচবা ওম্নবা পূক্লিংনা পামজববু
থম্মোইদা তারবিবা য়াথংগী মমিত্তুবু ।

অতুবু তারদ্রেনে মমি অমতস্থু
অঙোবা চেবাং থক্সিদস্থু
কনা কন্না হোৎনজবান
হৈনা শিংনা খোৎচিনজবনি ।

য়েক্নবা মহীস্থু কংখ্রে ;
অঙোবা চেস্থু লোইখ্রে ;
ওম্নমক লোইনা মাঙখ্রে ;
হৌন-হৌনদুনা চৎনখ্রে ।

অরেম্বনি অরেম্বা পূম্নমকসি ;
পূক্লিং পূখ্রিদি লাইজনুংদা
কল্পনাগী ঈথক্কা হৌরক্ত্রবদা,
কাম্নদ্রবনিকো হোৎনক্লিবসি ।

১৯ | ২ | ৬৮ ইং

মাইবম

(২২)

তাইবংপানবসিদু করিনো?

তাইবং পানবসিদু করিনো?
নঙগী করম্বা থৌরাংনো?
অয়ুক্পা নঙবু থৌগল্লিবা
মুংথিলনা নঙবু য়াকায়রিবা
অহিংনা নঙবু শুম্লিবা
থৌদাং অসিবু পুরিবা
মখোয়গী অওয়বদো খঙহনবিয়ুবা!
অক্লিংদনা থা ওইরিবা
মুংথিলদনা মুমিং ওইরিবা
নঙগী নমিং অনিসিনা
লৈরিবগেনে কনাবু য়েংহনা?
থবান্মিচাক্কি লৈরাং শাৎলিবা
নিংথৌ তুরেন্দা তাউথারিবা
কল্লাগী ওকশমদা হুক্রুনবা
মহৌশা লাইরেম্বীশা লেংইবা!
অচুম্বা পাম্বীদা পাল্লবা
হৈরাং লৈরাংনা নীংথিরবা
কেল্লকুবা মতমদা মালেমদা
তাররেদো অরানবগী কোমদা।

নওগী হৈক্লোল থাদোক্তুনা
হৈরাং মানা কেল্লাক্তুনা
মালেম অসি থনখ্রে
তাইবং অসি শীনখ্রে।
নওনা থাকলিবা লাওসিদা
থুক্তুনা মথুল মথুন্দা
লোং-সুংশিং কয়া নংনখ্রবা
পুন্সি কয়া পিথম্মখ্রবা।
নওগী লোংলিবা নশকসে
তাইবং কনানসু উওমদ্রে
ফংগে হোৎনরিবা যখোয়সে
মায়া মরিচিকা লানওমদ্রে।
অসুম্মক মশক খওদনা
তাইবং অসিনা লোইখ্রবদা
কনাগী মতৌ য়েংদুনা
কনানা য়েংদুনা লৈহৌগবা!

২০|২|৬৮ ইং
মাইবম

[২৩]
অশেংবা পুন্সি

ঐগী পীক্লবা পুন্সি ঈচেনাসনা
মূনা মূনা চেনাখবদো য়েংলতুনা
নংগী পাকচাউরবা ঈপাক্তা তিল্লুনবা
ঐদি করিস্মু খঙহৌদে কারবু হন্না য়েংলুবা।

হিদেন তাকম খুদিংদা ঐনা কয়া পন্‌খি
য়েংজবা ফংগদ্রে নিংতুনা পুন্সিগী মমলবু
অদুবু করিমতা পুদনা কৌশীং ঙাক্তা পুববু
নংগী লূৱবা ঈপাকপু মশক থীহন্নবদা ওইহনখি।

ওস্তোক্লা মন্নবা খোঙনুংদা অশ্লম্মক চেনখিবদুনা
লমজিং মৈরা অমতম্মু লোয়নবা ফংদনা
কয়াগী মতিক রাখ্রবা ঈপাক্তুনা য়ৌবদা
অমোৎ-অকায় থিবিকা লোয়নরতুনা।

অদুকস্মু বানা চেল্লক্রবত্তুদা
নংনস্মু অমুক লৌশিনবিদ্রবত্তুদা
ঐগী ঈচেলগী লমজেল অঙু তংখ্রে
লম্মথাংদা লুরবা খোং অমদংসুক তাখ্রে।

ঐনা কনা কন্না হোৎনখি
খোং অদুবু লাম্বোকে লাক্লখি

ঙম্বা কৌবা নৈখিদ্রে
হোৎনবা পূম্বা কান্নখিদ্রে ;
অম্মুম্মক নৈশিন্দুনা থমখিগ্রে ;
খোং অত্থুগী নৈরায়থুনা নম্মাৎখ্রে
ঐনা লাউ-খোংনা কপচখি
মকমত্থুদগী নঙবু কৌজখি।
ঐনা তত্তুনা কৌজমনবত্থুদা
তিনজনিংবদগী নঙগী ঈপাক্তুদা
খঙহৌদনা ফংখি তাজবা
খোঞ্জেল অমথক মুংশরবা।
ঐবু হয়া হয়া কৌরকখি
মকমত্থুদগী থোরকুবা চায়খি
নাম্থোকপা ঙমদবা ঐনা
মতৌ অত্থুবু উরদুনা—
মারী অমা লৗবক্লে
গজেন্দ্রমোক্ষগী মারীবু তাহনবীরক্লে
মত্থুবু তাজবা ফংলবদা
মাগী পন্দু নিংথাইখি
ঐনা ইথয়তা থনজখি
পুন্সিদি শেংলবা লৈখোইরে অসিদা।

২০।২।৬৮ ইং
মাইবম

[২৪]

লাকখিগনি মতম অদো !

লাকখিগনি মতম অদো

মতমন্তুদা তেংবানবগী ঈপাক অসে
মাগী মপাল নাইত্রবা গর্ভ মুংদা চংখ্রগনি
লৈহৌররোই করিস্থ চাং-তুরেল-নুং খিবিকসে
মালেম পৃথিস্থ মাওখ্রনি—লোংখ্রনি
মাগী মপুক মমুংদা লৈখ্রান ওস্থমকসে।
মসি থোক্লবগীদমক্তা মাগী পাকচাউরবা
কুরুক্ষেত্রগী লমপাকসে লাম্মীনা পীকথনখ্রনি
অচুম্বা-চুমদবা অনিগী অকনবা লাম্মীশিংসে
অফং-অফং য়ান্নন্তুনা ওন্নমক শিনখ্রনি
মতমন্তুদা লৈহৌনি অচুম্বা মুক্তিন্তুদা
পাণ্ডব মওাগুম জগৎ-মপুগী মরুমদা
সনানা য়োম্লবা কর্ণনা শলহাংপগী খুৎক্ত খাও ওইখ্রবদা
মীওইনা পোকপগী মমলনা তুরেল কৌশীংগুন্নবদা
মমন্তুনা বিদায় পীররম্নি মশক খওতমত্রবা সংসারবু
অমম-অঙান শিন্নবদা উখিদবগুম মাগী মশকপু।

২০ | ২ | ৬৮ ইং
নম্বোল

[২৫]

অমথক্তনি ঐনা পামজরিবদি !

অমথক্তনি ঐনা পামজরিবদি
ঙমগদবা লৈতবনিনা পূম্নমকপু কংবদি
পাকচাউখ্রবা মালেম 'সিদগী
মপাল নাইক্রবা অতিয়া মকোয়দগী ।
হুন্না হুন্না তৌদুনা থিক্লুরবনি
মকম খুদিংদা লৈরিবা নঙবু
থল্লুরে মশীং য়াম্না লৈবনি
কংনখিবত্তদা তোঙান-তোঙান্না নঙবু ।
উনগী লমদমগী অইংবগী মপু ও !
সাহারা লমদমগী মৈশাগী মৈবিরেন ও !
অইং-অশা অনিগী তাইনকমত্তুদা
ঐনা নঙবু থিবদস্নু কঙজদ্রবনি ।
নঙগী মিংলেনস্নু অশেংবা খঙজদ্রবনি ।
অরেপ্পা লৈত্রবা তাইবংবু লেপহনবিরিবা
অছোংবা লৈত্রবা জগৎসিদা ছোংব-মাইত্রিবা
নঙবু থিরে-থিরে হায়রগা কংবদি লৈত্রিবা
কদায়দনোমে নঙনা লৈবিরিবা !

পোকপা শিবা হৌরকক্ম খঙত্রবা
নহামি অহলনি লেপ্লকম লৈত্রবা
নঙগী পুংজা-মিকুপ্না ওইরিবা
ব্রহ্মাণ্ডগী মতম অসিবু কুপ্লবা।
অহুবু ঐগীদি লৈত্রেনে
নঙবু থিনবগী মতমদো
মতমগী মতমস্তু নঙনা ওইবিরিবনিনে
পূম্নমকসে নঙোন্দগী থোকখিবনিনে
অস্তুম্না পঙলবা ঐননে তাজেদো।
থক-খা অনিমক্তা কোয়নস্তু চৎলুরে
বন-উপবন খুদাংদস্তু থিজরুরে
কনানস্তু ঙমখিদেদো তাকপিবা ঐঙোন্দা
নঙগী অশেংবা লৈকমদো পাঙত্রবদা
অহৌবনা ঐবু শেম্বিরকপনি
অরোইবদদি নঙোন্দা চঙজগনি
মিংলেন ময়াম শোগুবা পামজদবনি
ঐনা পামজরিবদি অমথক্তনি।

২১।২।৬৮ ইং

মাইবম

[২৬]

তাউথহনবীখ্রো হে নাথ !

তাউথহনবীখ্রো হে নাথ! কল্লবা ঈচেন্দুদা
শূম চারবা, মল্লবা খুংশেমগী ইতিহাসশিং।
লুপহনবীখ্রোনে হে প্রভু! লুরবা ঈরেন্দুদা
ঈ পাম্লবা মীহাং-লানগী খুৎজু খুৎলাইশিং।
লোংশিনবিখ্রোনে হে মপু! লৈপাকলৈমগী খনিশিং
মিহৌ চাউবগী মথুক্ত পীনবিরম্থু নঙগী ললশিং।
মীওইবা জাতিগী য়েক্লবা
মখোয়দো হিংসা পাম্লবা
নঙগী রুদ্রদেবগী মিৎয়েংদা
কামদেবনা উৎ ওনখিবা
য়েংবিরোনে ঙসিস্থু মখোয়দা।
লৈপাকলৈমগী তেংথাখোম্না
কংস মাবু লানবিখিবা
ঙসিস্থু নিল্লেনে তেংথাখোম্না
খনখ্রে মিকপ মিরাঙখোম্না
অতিয়া মকোয়সে শীনখ্রে।

লানবিরো অৱাবা 'সিদগী
য়োংশিনবীরো ঈ-পান্নবশিংবু
নঙগী প্রলয়গী গর্ভম্মুংচুদা।
নঙগী নৃসিংহগী শক্তমদা
হিরন্যকশিপুবু লানবীত্থনা
অহিংসাবু য়োকখংপিখিদো
থাবীরক্লো ঙাকপীহৈরবা প্রহ্লাদ
লানবী বগী পাম্বৈ ওইরিবা
হিংসা পাম্বা মিহৌংচাসিংবু।

২২।২।৬৮ ইং
লালোই চীং

[২৭]

তাইবং লাংদা থুবা !

কদোমদনো নঙনা কৌরিববু
অহিং মুংথিল নাইদনা ঐবু ?
নঙগী খোঞ্জেল অহু তারবদা
ঐনা লাক্লিংলিবদি করি হায়সিগে
চৎলগে নিঙহুনা পুক্লিংসি লেপ্লবদা,
খল্লুদ্রে কনাদস্মু করি হায়রমসিগে।

নঙগী মায়কৈ তয়্রহুনা
খোঙ থাংলগে হায়না
কাং-গাংদা হেক তৌবদ',
খঙহৌদে ফাখিবদো তুংলোমদা
খ্বাংদা চেঞ্জেৎ কোনশিন্দুনা
পেহৌ পেহৌবা খোঞ্জেলনা
থেম্না নৌনা হায়্রজহুনা
খামথিদো ঐবু ওস্থোক্লা কম্না।

সনা লুপাগী কাগোক্লা
অথেনপোৎকী লুকমাইনা
থমলরে ইমাওদা কোয়্রনা

ঐগী থম্মোয়বু ওন্মাংখ্রে
পুক্লিংসি পেল পেলহনখ্রে।
নিংউদ্রে অমুক চৎলগে।
খোঞ্জেন্দুগী মায়কৈ তমলগে
তাখিদ্রে 'সুন্মক খোঞ্জেন্দু
মানা হুন্না হুন্না কৌরিবহু।

২৩।২।৬৮
নখোল

[২৮]

মাঙম্রবা লন্ !

ঙসিদি শাত্রেনে থম্মোই লৈরাংসে
কংশ্রুমাম্নেনে পুক্লিং পুত্রীসে
শাংলমই মকা কম্না
নোকচরমই হেদো-হরাওনা।

বসন্তগী অয়ুক অঙনবদা
লাইজ ঈপোম ছোরকপদা
খাম্বিনবা তোর্ব্বানস্থ লৈখিদেদো
পুক্লিং চীমাইস্থ চুমখিদেদো।

বাংলবা চীং কয়ানি কারুবা
লুরবা মপোক কয়ানি লুপ্লুবা
ঈ-য়াই মণি কয়ানি খুল্লুবা
শুঙ্কাংয়াই কয়ানি কাংখিবা।

মমল য়াম্লবা মণিশিংদা
তাইবং কৈদে -- য়োনখিদো
লৈনখি হরাও হরাওনা
তয়াং তশোইবা পুক্লিংদনা।

ঐনদি মখোয়হুদা য়োম্বিংদে
মমল কাওবস্থু হুলহম্বিংদে
ঐনা মখোয়হুবু য়োনজনিংবনি
নঙগী লৈতেংগীদমক লৈহনজানংবনি।

লুহুপকী লৈতেং ওইখ্রে
নিংথোগী পুক্কৈদা থমখ্রে
লায়রবগী মরল মুনখ্রে
মিহাৎপগী থবক্তা শিজিন্নখ্রে।

শাৎহনবীরো ঐগী পুন্সীদা
নঙোন্দা কচ্চনবা নিংথিরবা লৈরাংশিংদা
কংহনবীরো হী-য়াই মণি মুক্তাদো
নঙগী থম্মোইবু ওইনবা পেলহন্নবদো।

২৪ | ২ | ৬৮ ইং
মাইবম

[২৯]

কাউহনবীগনু ঐবু !

ঐগী নাপল্লবা বসন্তদো হৌখ্রসনু,
ওইজবা পাম্লবা কাংলেনশু তুংইনখ্রসনু,
মখোক শোয়রবা নাকেন্থাম্ন চৎচখ্রসনু,
ওঃ ইঙথ্রবা নিংথমপাদো লাক্লসনু !

নিংথমথাসে ইসঃ ঐগী নিংথমথাসে !
করম্বু থাঙলসিগে ঈংশবা থাসে !
মসিনিকো ঐগী অরোইবা মিকুপ্তো
পুন্সিগী অরোইবা স্বর শোনগদবদো ।

ঐনা কাউখিবা বসন্ত অঙনবন্দুদা
অঙনী মিংলেন পুন্সিগী ললশিবু
নিংশিংহল্লিনে পুন্সিগী য়াচংবসিদা
করিগী কাউহনবীবগেনে অথোইবা ললশিবু ?

২৪ | ২ | ৬৮

মাইবম

[৩০]

নওগী ঈপাক্তা তিলহনবিয়ু !

লৈপান্দা শাৎলিবা লৈরাংসে
হৈপান্দা পাঙ্গিবা হৈরাংসে
লৈরাংনা লৈমন চল্লবদা
হৈরাংনা মমূন কারবদা
লৈমায়'থক্তা তাগমি
মালেম লৈদা তিনখিগনি।

ঐগী থম্মোই লৈরাংনা করিগুম্বদা
লৈমন চল্লহুনা কেল্লবা মতমদা
তাহনবিয়ুকো নওগী থম্মোই ঈপাক্তুদা
লুপহনবিয়ুকো নওগী থম্মোই ঈরোল্লুংদা ॥

২৪ । ২ । ৬৮ ইং
মাইবম

[৩১]

মন্দিরহুদা লৈহনবিয়ু !

তাইবং ঈপাকসি লানবদা
ঐগী খোঙবুবু কনানো ?
তাকপিয়ুনে হে প্রভু ! ঐঙোন্দ !
কনানা ইতুং ইনবিগদবনো ?

মংলানগী ঈরানয়াইাস থাদোক্লগা
ঐগী থুংনকমদো কদায়দনো ?
তাইবং লানশঙসি লংশেক্লম্লগা
কনাগী লানশঙদা লৈক্লগদবনো ?

অমনবা থম্মোই অসিবু
কয়ম্বু ঙমগদগে শিন্দোকচবা ?
তাকপিরোনে ঐঙোন্দা লম্বীস্তবু
নঙগী থম্মোই মান্দিরদা লৈজনবা ।

২৪ । ২ । ৬৮ ইং
মাইবম

[৩২]

নঙনা ওইবিয়ু ঐগী চৈশু !

রাখল, লৌশিং, পাঙ্গল
অরেম্বশিকো শরেম্বা
নঙগী থৌজাল ফংদ্রবদা ।

নঙদনা ঐগী অথোইবা লললনি
ঐগী রাখল লৌশিং পাঙ্গলনি ।
তাইবংগী মিৎস্মু নঙনা ওইবনি
ঐদি তাঙলবা মিৎ পাল্লবনি
পীনবীরো নঙবু উজ্জলবা মিৎ অনি
চৎচরগে তাইবং লম্বী থাদোক্তুনা
নঙগী মাঙলরোইদবা লম্বীতুদা
মতুদা নঙনা চৈশু ওইবিতুনা
ঐগী থম্মোই ঈচেলসে তিলহনবিয়ু নঙোন্দ। ॥

২৪ । ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

[৩৩]

নঙগী ঈপাক্তা!

লৈছী চেন্দ্রে ঐগী থম্মোই লৈরাংসে।
লোইনা থকখ্রে কল্লক মিহৌরবা থোইমুনা;
অহুনস্থু অস্নুক থুনা চল্লবানি লৈমনসে।
হৌজিক্তি কেনখ্রানিদো চক্কম থঙদনা।

হায়নৈনে ইবুঙো নঙগী থম্মোই লৈরাংদি
লৈমন চন্দে লৈছৌস্থ খমৃবা আইদেদো
কয়াস্থু থকখ্রবনি, [illegible] থোইমু কয়ালদি
হেন্নহুম নিংথিজরকই, থোইনা লৈছী চেল্লকইদো।

হে নাথ! নৌশিনবিরো কান্নদ্রবা থম্মোইসে!
শাত্রসম্থু লৈমন চল্লগা মাঙখিগদবা লৈরাংসে!
ঐগী থম্মোই থম্বালসে
নঙগী ঈপাক্কা শাংহনবীরো!
করিগুম্বদা লৈমন চল্লবস্থু
নঙগী ঈপাক্কুদা তাউহনবীরো।

২৪।২।৬৮ ইং

মাইবম

[৩৪]

ঐবু লোশিনবিয়ু !

মমল [illegible] ল্মোই কাচন্দা
লো [illegible] থাউৈম অসনা
পুন্সি অসিবু চাকথেকথ্রনি ।
অপাম কল্লক মিংোবনা
থাউগী ম [illegible] রগা
আশানা দে শি ওইদুনা
চাকলম্মিনে ওাল্লমক অরেম্বদা
কাল্লদ্রবা পুন্সি থাউমৈসে ।
মঙাল পীঙমদ্রবা থাউমৈগী
চাকলিবা মৈরীশ্ব পীকথরক্লে,
অমম্বনা পূমকুপ কৃপশিল্লক্লে ।
থুনাম মশকস্থ উথিদ্রে ;
চৎকদবা লম্বীশ্ব মাঙখ্রে ;
লঙ্কাংমরে লম্বী চৎপা ঐদি ।
কদায়দনো মঙালগী মঙাল !
কদায়দনোনে নঙাক্লা ঙাল্লিবা !
ঐবু চৎপা ঙমদ্রেনে ;
পীনবীরো নঙগী থোজাল !
ঙমহনবীয়ু লম্বীদুদা চৎচবা ;
ঐগী ইরালবু ঙাকপিদুনা,
নঙনা ঐবু লোশিনবিয়ু ।

২৫ । ২ । ৬৮ ইং

মাইবম

[৩৫]

নঙবু ফংহনবিয়ু !

পুন্সিগী মুমিৎসি লৈথখ্রনি
নোংচুপ চাংগী মরুমদা ;
লৈহৌররোই মঙাল মশেক
অমম্বগী য়ুথল থাদখ্রনি ;
অহিংগী থাজ তাল্লরনি ।
ঐগী অমম্বা খোংচত্তা
নঙনা ওইবিয়ু থাজবু ;
মঙাল অসিগী মতেংনা
নঙগী লৈকম থিজগে ;
অমম্বগী য়ুথল হাইদোক্লগা
মতুদা নঙবু ফংহনবিয়ু ।

২৬। ২। ৩৮ ইং

মাইবম

(৩৬)

বিদায় পীরখিনি !

বসন্ত লাকপা উবদা,
পাক্কং মকা লাম্লবী,
উয়া কৌবা লাইরেংখৌনা
পাক্লু' লাইবক ময়াইদা.
অঙাংবা শিন্দুর নম্লগ
মুক্তা পরেং শিরহনা
কশা শিলা নোকখোরক্লে।
মক্ক ইকোক কোকলখা,
উপাল রাপাল খিবিক্লে
অনৌবা ফীজোল চোংলগা
ঋতু রাণীবু ওকচরকলে।
ময়াঙ কংলবা তুরেলশিংনা
লৈচিলগী ধূপ থাগকুল।
মবেম্মগী খোগল কংখরে।
অনৌবা লৈরাং শাংলকলে
মতমগী অনৌবা লেকোন্দা।
চাংজৌ লাখা কংদ্রবা

বসন্ত ঈপাকি খোঙবান্দা
কয়াঙবা কে কবি!
খোংচিন্নহৌ কক্কনসি খোংচিগদৌ।
কুমঙ্গা কুমসন্ থুমিংঙৗ
নমাত্ত ঋতুদ লাকখিনি;
নঙবু কদায় পীরকনি;
মাগী নোকনা কৈথোকনি;
নত্তনা কপ্পনা চৎখিনি।

২৬।২।৬৮ ইং

মাইবম

[৩৭]

তাইবং কুরুক্ষেত্র !

নঙনা শেম্বা জগৎসে হে জগৎকী মপু
শান্তি থিকলেন থিকপিরো হে অথোইবা মপু।
মচী মচীদা থোকহল্লে খণ্ডপ্রলয় নঙগী নচাশিংনা
লোইরে শেম শাহুনা দোলাই সারথিশিংনা
মথোয় পুম্নমক মচী মচীদা লৈনরে ভাইনহুনা
কুরুক্ষেত্রগী লম্পাকপু কোইথি থিনরি ময়াই কারহুনা।
হে মপু ওইবা কুরু নিংথৌবু শেম্বীবা
বলদেবগী লাঙ্গোল নঙনা পীনবা
লৌশিনবিরো নঙগী নরম্নি নঙনা শেম্বীবা
পংহনবীরো লাঙ্গোল মচীলসে নঙনা পীনবা
থোইদোক্তদবগী ভাইহুনা লৈরেনে শিবশম্ভুনা;
মহুতবু উরগা চাকলক্কদোরে মহাপ্রলয়গী মৈরীনা।
অরোইবা লাল! পৃল্সিগী লাল! জগৎ পুম্বগী
খুংলাই মাপলগী তিন্নকম নোংদোন'তিয়াদা নঙগী;
ভাইহুনা লৈরে মাকেমলৈদা ভীমসেন্ হীপ্লহুনা
পাইখঙুনা লৈখ্রে হনুমান্না নোংদোম্বক্তা লেঙদনা।
মতম ওইরে হে মাঙহনঙম্বা মপু ও! অথোইবা
নঙগী চক্রনা লৌশিন্দুনা থমলিবা পুম্নমকসে

কৌশিনবীরো নঙগী অথোইবা থুংলাই ওয়মকসে!
মালেম লৈমস্থু চাকথ্রনি, উং ওইনা ভুমথ্রনি ;
সংসারসে ঈশাক ওনথ্রনি ঈরাওথোয়া থুম্মাংলরনি ;
মতম অহু য়োরগা নথন্নতা তূমিন্না
করম্না য়েংহুবা লৈগগে কনা য়েংবদা উদনা ;
মহুগীদমক্তা শেল্লিবা নঙগী তাইবংসে!
মহুবু উনবীদমক্তা ওইহল্লিব্রা নঙগী জগৎসে!
নঙদনা উজবা নংগী অথোইবা শিলাসে
য়ুথল হাইদোকপিরম্নু লেপহনবীরো নঙগী কুম্মৈসে।

২৮ | ২ | ৬৮ ইং

মাইবম

[৩৮]

খোংখিগদরনে বিণাসে !

হে ঐগী কল্পনা,
খোংখিগদরনে বিণাসে !
তারা খিনিকসু [illegible] ;
তুপ্রগী অমগন্ধা ভাইংদে !
কয়ারক কম্মা খোংখরে ;
[illegible] অমতন্দু চুম্ব-খোকখিনে !
[illegible] খোংগীগী [illegible]
তারা [illegible] ভাইদনসিং ?
নিংখোগীগদরবা জগৎ [illegible]
ভাইদুনা [illegible] [illegible] !
নঙগী অবোইবা [illegible]
অরোইবা পুংথং অস্থী ;
খোকহল্লম্লকো সুর অমত [illegible]
কমজোনবা কান্নবা জগৎসে !

২৭। ২। ৩৮ ইং
মাইবম

[৩৯]

কদায়দনো নয়ৃম্বু ?

খঙবা ঙমদ্রবা মতমগী গর্ভমুংদা
লোত্তুনা লৈখ্রবা শকলোনশিং
থিরু-থিরুরগা চমম্লবা হেল্লবা ;
প্স্নমক অসিবুদি শেম্নীরিবা হে নাথ !
থিরিবস্তু নঙবু ওইবা লোংলিবস্তু নহাক
অঙকপা মতৌ অসিবু
অমম্বা অহিংদনা মমতুনা 'শুম্মক লৈবা
নোংঙাল্লবদস্তু পৃক্লিংগী থাউমৈবুদি থান্দ্রিবা
নঙবু খঙবা ঙমদবদগী
মুমিৎ-থা-থরান্নিচাকী খোঙথাঙস্তু কায়দনা
মতম মতমগী অহিং-মুংথিলগী গর্ভমুংদা
লুপ্পুরগা তাউরকইবা
লোত্তুনা লৈরিবা নহাক্তবুদি কনানস্তু খঙ্ড্রে।
লোত্ত-লোংলিব্রা নত্রগা মিৎচানফমদা লৈবিরিব্রা
কদায়দনো নয়ৃম্বু ?
মসিমতংবু খঙজরবা চৎচররোই অরাপ্পদা
কাংখোং তারংলক কোয়বনা পৃথিবীবু কোয়থিবা

'ঙুনা শক্লখিবা অশম্বা
অঙুগুম্বা কম্বেলঙু তাবপিরোনে ননাইদা
লাকচরগে লম্বীঙুদা চৈশু অঙু শুঙনা
পম্লেম্না পীনবীবা ;
কংজরগে মঙুদা শকনাইড্রবা নচাকপু
পুন্সিগী থাউবৈনা মুক্তিগী নঙগী নশাইগোন্দা।
কৌশিনবীয়ু ননাইবু।

৫ | ৩ | ৬৮

মাইবম

(৪০)

নিঙহন্নগনু

মুংখ্রে ঙাল্লস্না থাঔমৈ
মমশিল্লাক্রে ভাইবং ফাসে !
কে কনানো লম্বীচংলিবা ?
নঙগী থুনাম যশক উদ্বিবা ?
সৈনলিনে যাঙজুদা খুদোংথীবা ফয়া
নঙাক্ক শোয়দনা অরাবদা তারগনি।
করিগুম্বা নঙগী থম্মোইনা লেপ্লবা
অহনবা সৈজনা চংশিনগে নিঙলবা
নিঙবা কায়বদি পোক্লগনু নথম্মোইদুংদা
“থাজবা” হায়বা মন্ত্রদু শোল্লগা
খুদোংথোবা পল ফয়া লান্দুনা
চঙবা তায় নহাক্কী খোংচত্তু ॥

১০ | ৩ | ৬৮ ইং
কৈনো

[৪১]

ঐগী ঈশৈ !

ঐগী ঈশৈনা করিগুম্বা
প্রকৃতিবু য়াকায়বা ওমজরবা
মরোল খোরকসন্নুকো শেংলবা
মাগী শিরবা
পোংলমশিংসু থরাই পান্দুনা।
ঈশৈগী ময়েকশিংহুনা
বৈজয়ন্তি মালা ওইরহুনা
লৈতেংলসনু ওকশমদা ;
অখোইবা পুক্নব মাগী।
ঈশৈসিবু শকচবা
অহুগুম্বা অছৈবহুগী মপোক্তা
পোকচবা ওম্নবা,
হে মপু জগৎকী
পীনবিয়ু ননাইদা !

৪।৩।৬৮ ইং

মাইবম

[৪২]

পীনহৈবনি নহাক্কি !

পীনৌ ঐগোন্দা প্রভু !

পীনহৈবনি নহাক্কি—

মাপললা খুম্নাংলবা লঙ্কাগী রাবণ,

নহাক্না মাঙহনখি — ধর্ম্মবু ঙাক্নখি।

মথুরাগী মপু ওইবা কংস—

মরোয় মশাগী মসঙ্গদা পাঙ্গল্লবা

নৌরিবা চক্রিগী মতাংদা

মাঙহন্দুনা কংসবু শ্রীরায়-লায়না

উংপিখি সাধু ঋষিশিংদা

ধর্ম্মবু ঙাক্নবা অথোইবশিং হায়বদো।

শুম্ভ নিশুম্ভ মহীষাও

তপকী পাঙ্গল্না ময়াম্না কারবা

কৌশিকরিখি নহাক্না মুন্নহন্দুনা

তিলোত্তমাগী শকলোন পুখোক্তুনা।

মন্তরক্রদা জগৎ অসিনা

পাপী কয়াগী শক্তিনা

ধ্যান-তপ তৌহনা

ধার্ম্মীক কয়া কয়ানা

নঙবু কৌখি তৌয়না।

ঙুংশিনৈরবা নঙগী থম্মোইমা
মথোয়গী রাকৎপু তাবীহুনা
পীনবি নঙগী শক্তি-শকলোন
মথল মথল পুথোক্কনা
মাঙহনখ্রে-তুমহনখ্রে কত্তখিবিক
লৌশিনবিখ্রে-সানবিখ্রে মথোয় খিবিক।

পীরো হে ঈশ্বর! থোজালহৈরবা
ঐগী থম্মোই মোংলবা
শেদোক্লবা শিদ-হিদাক অদো
মতুদনি ঐনা পামজরিবস্থ কংজবদো।

ঐনা য়ুম থাদোক্কনা
লংকৈ অস্থুম চংলকপদা

মায়াগী লাঙ কয়াদা থুরক্রে
ওইজ-ওইথকী ললোন-ইতিক্তা
মীনম-শোরি লমচৎ কয়া চৎলুরে
ঙুংঙাই য়াইফবগী বাখল ঈপাক্তা
হরাউ-হেদোগী রাকৈয়ে তোংহুনা
তাউথরক্রে ঈচেল কয়াদা কৈনা য়ুংনা।

তাইবং মী-পোকসে
ফংঙমদেস্থ হায়নৈসে
ব্রহ্মামক্তা পোকচবসে
কদায়দনোমে মসিগী মমলবু
করম্বা মণি মুক্তা ফংনব' ললোনবনোনে ?

সনাগী চীংথুম-চীংথুম
হিমালয় খেংনা বাংনা পৈনবা
হোৎনবা লপোঃনবা-মপোক ওইহনবা
পিনবীবসু নত্তে—মচেক ময়াগী মুংঙাইবা
ফংনৈ মপোকসিদা পেনবদি লৈনদে
পেন্দবা লৈবা মপোকসিবু ফংজগে
করিগী তাম্লিবনোনে দেব মহাক্না ?

ইনাকথুনবা লাইরবা অনিগী
অচৌবা খেন্নবা ঈচেন্দা
মাল্লনা থনবা ভস্ম পূ শচেল
অকন্নবা ফংপোনবা লাম্বাদা
অথোই ক্তেলবা নাইহন্দবা
অউবা উদবা অনিগী
খেন্নবা লৈতবা মুংঙাইবগী
খঙবা খঙদবা মরক্তা
মান্নবা মতয় চাজবা
মসিনি ঐনা নিজরিবা
ঐঙোন্দা নহাক্না পীনবীনবা
অরিবা মল্লবা থম্মোইসে
শিন্দোকপীত্নুনা অনৌবা থম্মোইনা
মসিদা নঙবু ফংজবা ওইজগে
লগী অসিদা চচ্চবা ভমজগে

পীনৌ নহাক্না ঐঙোন্দা !
পীনৌ নহাক্না ঐঙোন্দা !!

২৫ । ১০ । ৬৯ ইং
মাইবম

[৪৩]

ঐনা থিজরক্কে নঙগী লৈক্ষমদু য়োননবা

হে নাথ! শঙ্কোন্ মরীগী মপু ও!
মহাপ্রলয়না য়োংমদ্রবা গোলকী গোলকনাথ ও।
প্রকৃতিগী অন্তর্য্যামি ওইবিবব, হে সঙ্কর্ষন্ ও!
ব্রহ্মাণ্ডগী অন্তর্য্যামি ওইরিবা হে প্রদ্যুম্ন!
ক্ষীরোদশায়ী ওইরবা জীবগী অন্তর্য্যামি হে অনিরুদ্ধ!
জগৎপু শেম্লনা মখোয়থম্বান্দগী ব্রহ্মাদু পোকপীবা
ঐনা থিজরক্কে নঙগী লৈক্ষমদু য়োননবা।
ঐগীদি অচম্বা রাধনা-ধ্যান-তপস্যা থৌজদে
ইমীৎ-ইনা গংমক তাতপ-পত্তলবনি, উ:দ তাজদে।

চীজ-উ কয়া কারক্লগে
তুরেল কয়া লাল্লখ্রদগে?
করম্বা মাকয়ৈদা তোংজগদগে?
করম্বা লোরেল পায়জরক্কদগে?
হিথাংকম কয়াদা পোথারক্কদগে?
থেরা মমলনা কয়া পীরগনি?
কনাগী লনগৈদগী করম্মা কংজগনি?

চীং-তুরেল থেংনররোইদবা অতোপ্পা লম্বী লৈব্রা?
লৈখোম-লৈনাং খোক্তবা অনান্বা লম্বী ওইব্রা?

লমজীং-মৈরা য়াওদনা ইথমতা লাকচবা ঙমগদ্রা ?
দাকু-দাকাতি কয়ানা ওৎপা-মৈবা লৈরোইদ্রা ?
তাকপীয়ু ননাইদা পাঙজদ্রবা ঐঙোন্দা
ঐদি লাকচদবা য়াদ্রবনি মকমত্তুদা।
পোকপা-শিবা অসিগী লাংদাইবু
করম্না তাইশিনজবা ঙমগনি ঐনবু।
লমজিংবীয়ু পুখিয়ু অমম্বলক্তগী
য়োইহনবীয়ু থুংহনবিয়ু লৈকমদা নহাক্কী।

২৬।১০।৬৮ ইং
মাইবম

[৪৪]

অচুম্বা ঈচেন্দুদং পীনবীয়ু !

অচৌ-অপীক তুরেলগী ঈচেন্দা
তাউরিবা কৌশাং-উজাউ মহুদা
য়োংখিগনি অমম্বা সমুদ্রদা ;
মহুনি মখোয়গী পন্থুংকমদি
লাইবকফবনি তাউখরিবা ঈচেকতুদদি
পন্থুংকম খঙনা তাউরিবা পোংলমশিংসিদি।
অদুবু হে নাথ !
ঐগী পুন্সি কৌশাংসে
তাইবং ঈপাক্তা তাউখরিবসে
কদায়দনো থুংলুগদবা লমথুংকমসে
অচুম্বা ঈপাক অমতং পীনবীয়ুসে।
তাউথজগে মহুদা য়োননবা
ঐগী পুন্সিগী কৌশাং ওইরবা
খরাই অসে পুজরহুনা
তিন্নজগে লেঙদনা
হোব-লোইব-নাইদবা
হে অন্তর্যামী নহাক্তা।
পীনবীয়ু হে বাসুদেব ও।
অচুম্বা ঈচেকদো
মনাইনা তাউখজননবদো ॥

২৭। ১০। ৬৯ ইং
টিকেন্দ্রজীৎ-পার্ক

[৪৫]

তাইবং ঈপাকসে লানজরগে !

মতম কুইনা থিরুরবদগী
ফাওরকলে থম্মোইদা ঐগী
অনৌবা নৈংশী চেনবা
কলমগী ঈচেল অনৌবা ।

লেপত্রে চেন্থরকলে ঈচেলসে
পুথরকলে শেংদোক্লবা থম্মোইসে
ওন্থাংপা ওমগদ্রা নিংজরে
ঐগী স্বয়বু তাবীরে ।

নিল্লে খোংলে মালেমসে
মোখ্রে শীংখ্রে অতিয়াসে
মাঙখ্রে মোংলন-নৈর খিবিক
ওস্থাংয়াই-ফানয়াই খিবিক ।

ঐগী থম্মোইদা ফাওরারে
লেঙদ্রবা ঈচেল ওইররে
মৃংলি মৃংলিরম্বা মঙান্দো
লোম্না তুমিন্না চংখিবদো ।

তাজবা ফংলে খোঙথাংদো
তপনা তপনা থাঙখিবদো
কাজিনবা ওমত্রে থম্মোইসে
ইহাং হাঙলে য়াথলসে।

অনৌবা শকলোন ফংজরে
অরিবা শককমদো মাঙখরে
তাইবং ঈপাকসে লানজরগে
খুদোং থীবসিদৈ নাম্ভোকচরগে॥

২৫।১০।৬৯ ইং
মাইবম

[৪৬]

জীবন-মুক্তি

ঈচেন নাইদ্রে ঐগী
      থম্মোই ঈচেনসে।
চেক্নী পম্না কোইশিনথ্রে;
      মপাল অকোইবসে।
তৃংনকম ওইরে ফত্ত-হৌদিগী;
      মঙাল ফংদ্রবসিদা।
পীনবীম্নো ঈচেনগী মপুও।
থোক্নকম মচীন্দো।।
চেল্লসমুকো নমথায়ন্থনা পলসে;
      পুখ্রসমু ফত্ত-হৌদিদো।
তারুনবা নঙগী থম্মোইগী
      লংবা ঈপাক্তুদা।
ফংজবা ওইজগে মতমন্থদা;
      জীবন-মুক্তিদো।

১।৩।৬৮ ইং
সৎ সঙ্গ ভবন
নম্বোল

লোইরবা